# মকুনা খোংলগা মী শিরনি হায়নখিবগী ৱারী

**ফুঙ্গা ৱারী**

**থোকচোম থৌয়াঙবা**

**থায়না** মমাঙঙৈদা তাইবঙ মপুনা মালেম তাইবঙপানবা শেমদুনা শক চু মান্নদবা মওং মতৌ খেন্নবা তাইবঙ থৱায় পানবা ময়াম অমা পুথোক্তুনা তাইবঙ পানবগী কুম্হৈ অমা শান্নগে নিংদুনা মৈ ঈশিং নুংশিৎ লৈপাক অতিংঙা হায়দুনা পোৎলম মঙা পুথোক্তুনা চিংঙু মহাক্কী মমাঙদা থাংদোক্তুনা থম্লে। মতম অসিদা নুংশিৎসু নুংশিৎকী থোকপা মানা হেক ঙমজবিদা লৈজবী থাদুনা শিৎলে, মৈসু মৈগী হেক চাকফম থোকপা মানা ঙমজবিদা মৈবী মৈজাউ হৌনা লাউনা খোংনা চাকই। নুংশিৎনা কন্ন-কন্না হুল্লবনিনা ঈশিংসু ঈরাউখোলগা লোয়ননা মায়কৈ শলাই খঙদনা ঈথক ইপোমহৌনা নুংশিৎনা পুনিং-পুনিংবা মায়কৈদা পুদুনা চৎলি। অসুম্না শাফু কল্লবা নুংশিৎ অসিনা ঈশিং অসিবু পুদুনা মানা হুম্লিং-হুম্লিংবা মায়কৈদা শিৎতুনা লাকপা মতমদা মৈজাউ হৌনা লাউনা খোংনা অঙকপা ফংনা চাল্লিবা পান্দফম খঙদনা চাউরবা মৈগী চীংজাউ অমগা অঙকপা মওংদা মখোল থোক্লা হৌবা বদ্রং-বদ্রং লাউবা খোঞ্জেল অমগা লোয়ননা মৈগা, ঈশিং পুবা নুংশিৎ অদুগা থেংগায়নরে। অসুম্না মৈ ঈশিং নুংশিৎ অহুম্না শাফু কন্না থেংগায়নবা অদুদা মওং মতৌ কমদৌনা ওইরক্লিবনো খঙদনা অহৌবা মখোল অদুগা ঈরোয়ননা থৱায় পানবা উচেক অমুবা অমা পাইথোক্লম্মী। অসুম্না পাইথোরক্লিবা উচেক অসিনা মালেম তাইবঙপানবা অসিনা লৈরিবা থৱায় পানবা অচৎ-চত্ত, লেঙলি-পাল্লিবা পূম্নমক অসিদগী খ্বাইদগী অহানবা থৱায় পানবা ওইখ্রে। অসুম্না মানা ইহান-হান্না তাইবঙপান অসি শেমদ্রিঙৈদগী লৈরবনিনা মাগী কাইদোঙদুনা ঙাইহাক্তং পোত্থাজরনবা মফম অমত্তং লৈরমদে। মতম অদুদা উচেক অদুদি মাগী কায়দোংফম লৈরোই হায়বদি খঙদবনিনা কায়দোংফম অমত্তং ফংজদুনা ঙাইহাক্তং পোত্থাজরবদি ইশ-শাগল চোক্লিবা অসি খজিক্তং ওইরবসু ফগনিকো খন্দুনা কায়দোংফম থিবা ওইনা মায়কৈ শলাই খঙদনা কোইপাই পাাইদুনা লৈরম্মী। অদুবু উচেক অদুনা কোইপাই পাইদুনা মাগী কায়দোংফম থিজৈ হায়বদু মঙাই তাইবঙ পানবা মপুনদি মৈ ঈশিং নুংশিৎ লৈপাক অতিংঙা হায়রিবা পোৎলম অসি নত্তবা করিগুম্বা পোৎশক অমত্তা পুথোক্ত্রিবনা অমদি মালেম লৈপাক হায়রিবা অসিসু লাইজ ঈশিংনা লোইনা থুমজীন্দুনা ঈথক ইপোম ওইনা লৈখিবনা উচেক অদুগী কায়দোংফম অমত্তা ফংলমদে। অসুম্না ঙাইহাক্তংফাওবা পোত্থাবা ফংজদ্রবদা উচেক অদুনা মাগী অৱাবা অমদি মশা-শাগন চোকপা অদু ঙাইহাক্তংফাও পোত্থাবা ফংদ্রবা অদুদদি খাঙবা ঙল্লক্ত্রদুনা থম্মোয় শোক্লা য়াৱা মপাউ লাউনা খোঞ্জেল হৌনা কপলক্লে।

"হে ইবুংঙো তাইবঙ পানবগী মপু পোক্লেন পোকপা শাৎলেন শাৎপা লাইনিংথৌ, ননাই থৱায় চেক্লা ঐহাকপু মালেম তাইবঙপানবা অসিদা তাইবঙ থৱায় পানবা কনাসু লৈত্রিঙৈ চীংঙু নহাক্কী নথৌজান্না চেক্লা ঐহাকপু হান্না লৈহনবিরগা ননাই ঐগী কায়দোং খুভমদি অমত্তা পীবিদবা অসিবু ননাই থৱায় চেক্লা ঐহাক্তি ইশা-শাগন চোকপনা পুবা থাংবা ঙমদরে। ননাই ঐহাক্তি থৱায় হকচাং খায়নগদৌরে, ঐগী কায়দোং খূভম অমত্তদি পীনবিয়ুগবা লাইনিংথৌ" হায়না চেক্লানা থম্মোয় শোক্লা কপ্লক্লে। মতম অসিদা তাইবঙপানবা মপুনা তারদুনা চীংঙু মহাক্কী চেংলৌ মশক্তি চেক্লা মঙোন্দা উহন্দনা কোল্লোই মপাউ খুন্বীরে, "হায় হায় মালেম তাইবঙপানবা পুথোক্তুনা তাইবঙ কুম্হৈ শান্নগে খন্দুনা মনুং মতম ঙাইনা লৈরিবা চীংঙু ঐবু থম্মোয় শোকপা য়াৱা নখোঞ্জেলনা হৌনা কৌরিবা থৱায় পানবা নহাকপু কনানো, করি মরম লৈবগীদমক চীংঙু ঐবু কৌবনো? নমিংনা করি কৌবগে?"



মালেমগী অহানবা থৱায় পানবা জীব ওইখিবা মকুনা তাইবঙপানবা মপুদা মাগী কায়দোং খূভম অমত্তং পীনবিয়ু হায়জরবা মতুংনা পীনবিখিবা থম্বাল

মতম অদুদা থৱায় চেক্লা অদুনা চীংঙু মাগী মফমদা য়াৱা মপাউ খুমজরকই, "হে ইবুংঙো, তাইবঙ পানবগী মপু নহাকপু কৌজরিবা ঐহাক্তি চেক্লা থৱায় অপীশক অমখক্লি। অদুবু হে ইবুংঙো চেক্লা ঐহাক্তি ইমিং করি কৌবগে খঙজদ্রি। চীংঙু নহাক্লা মফম কদায়দা লৈরিবনো হায়বসু উজদে। ননাই চেক্লা ঐহাক্লা ইবুংঙো নহাকপু কৌজবগী মরমদি ঐহাক্লা তাইবঙ মালংপান অসিদা হেক পোক্লকপা মীকুপ্তগী ঙসি কৌবা নুমিৎ অসিফাওবদা চেক্লা ঐহাক্কী পীক্লবা ইসা অনী অসিনা ঙাইহাক্তফাও পোত্থাবা লৈতনা খপ্তুনা ঐগী পুন্সি অসি লেনজরকপনি। কায়দোংফম খূভম অমত্তং ফংলবদি চেক্লা ঐগী পীক্লবা চোকথরবা ইসা অনী অসি ঙাইহাক্তং ওইরবসু পোত্থাজগে খঞ্জবদু কায়দোংফম অমত্তা লৈতবদগী ননাই ঐহাক্তি ৱাবনা থৱায় হকচাং খায়নদৌরে। ননাইগী কায়দোং খূভম অমত্তদি পীবিয়ু হায়জগে হায়বগী ইবুংঙো নঙবু কৌজবনি লাইনিংথৌ।"

চেক্লাগী মপাউ তারগা তাইবঙ পানবা মপুনা মহাক্কী চেক্লা অদুবু নুংশিবিরদুনা চেক্লাগী মতেং পাংবিরগে নীংদুনা চীংঙু মহাক্কী লৱাই অহকপা খোইয়ূম লাইৱা অরুববু শোন্দুনা হে চেক্লা নহাক্কী কায়দোং খূভম চীংঙু ঐহাক্লা পীবিরবনিকো হায়না শন্লাং অদুবু লাইজ ইপাকথক্তা থাদবিরক্লে। অদুগুম্লবা শন্লাং অদুনা লাইজ ঈপাকথক অদুদা তারগা লৈরাং থম্বাল অমা ওইনা শাৎলক্লে। চীংঙু মহাক্কী শন্লাং অদুনা থৱায় চেক্লা অদুগী কায়দোং খূভম ওইননবা হোৎনবদা লাইজ ঈপাকথক্তা তারক্তুনা শিংঙেল থম্বাল ওল্লকপা মতমদা শন্লাং অদুনা তাক্লিবা মফম অদুদা ফুং লাউনা মফম পূম্নমক্তগী মোংবা হাল্লি হায়বগীদমক্তা তাইবঙপানবা মপুগী শন্লাং তাখিবা মফম অদুবু "মোংবা হানবা" হায়না খঙনখিদো।


অসুম্না শন্লাং অদুনা থম্বাল ওইনা শাত্তুনা লৈরবদা চেক্লা অদুনা থম্বালগী মফমদা পাইথজরক্লগা কায়দোংজদুনা চেক্লাগী অৱাবা কোকচরে। মশা শাগল চোকপসু পোত্থাজরে। মতম অসিদা তাইবঙপানবা মপুনা চেক্লাগী মফমদা হায়রকই, " হে চেক্লা ঙসি হায়বা নুমিৎ অসিদগী চীংঙু ঐহাক্লা চেক্লা নহাক্কী নমিংবু 'মকু' হায়না কৌখরে।" উচেক অদুনা তাইবঙপানবা মপুনা পীরিবা মমিং অদো হরাওনা লৌজরে। অদুগা তাইবঙপানবগী মপুনা মকু অদুগী মফমদা মহাক্লা মপুন্সিদা তৌগদবা থবক থৌরম অমসু হায়রবিরকই, "হে চেক্লা মকু নহাক্কী নপুন্সিদা হেক লৈরিমখৈ নহাক্লা পাঙথোক্কদবা নশিন শীন্থাদি হয়েং তাইবঙ মালংপানবা ওইরক্তুনা তাইবঙ কুম্হৈ শান্নরবা মতমদা মপু ঐহাক্লা তাইবঙ কয়া অমা পুথোক্তুনা অপোক-অশি নাইদুনা অরি অনৌ শিন্নদুনা তাইবঙ অমদি কোরৌ নুমিৎ মশীং কক্লা তাইবঙ কুম্হৈ য়াওহনগনি। অসুম্না চীংঙু ঐনা পীখিবা চহী মশীং, থা মশীং, নুমিৎ মশীং অদুনা শুরবা মতমদা অদুগুম্বা তাইবঙপানগী থৱায়শিং অদু ঐনা অমুক কৌশিনগনি। অদুনা তাইবঙ মপুন্সি লোল্লক্লবা কোরৌ মশীং শুরক্লবা অদুগুম্লবা তাইবঙ মীওইশিং অদুগী থৱায় চীংঙু সফমদা হল্লক্লো হায়না কৌবা অমদি পাউ পীবা চৎপা অসি চেক্লা মকু নহাক্কী নশিন শীন্থা ওইজরোকো।"

শীন্থা অসি পাঙজবা ওইনা চেক্লা মকু অদুনা কনাগুম্বা তাইবঙ পুন্সি চেঙজেল লোম্বা য়াওরক্লবা মপু মহাক্কী থৌদাখোল মতুং ইন্না থৱায় চেক্লা মকুনা তাইবঙ থৱায় অদুবু মপু মহাক্কী মফমদা হল্লক্লো হায়বা পাউ তাকপা, কৌবা চৎচখি। মরম অসি লৈখিবনা ঙসিফাওবদা কনাগুম্বা অমগী লৈকায়দা মকু খোংলরবদা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা মকু খোংঙি মী অমদি শোইদনা শিরগনি হায়নরিবসি।○

## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্মা

### থেঙ্গু অমসুং কাং-ঙ



মতম অমা কাশীদা নিংথৌ-খনবা ওইদুনা,
বোধিসত্ব লৈরম্মী পাউতাক পাউমেন তৌদুনা।
ঙাঙখ্র' লেপ্পা হৈতবা ৱায়াম ঙাঙবা নিংথৌনি,
ঙাঙবা করম তোকহন্নি বোধিসত্ব খনবনি।
হিমালয়গী লমদমদা পুখ্রি অম'ই মনুংদা
থেঙ্গু অমা লৈরম্মী চাক্তাদুনা মদুদা।
কাং-ঙ অনী অমসু হেক-হেক পাইরকখি;
মতৌ অসুম তৌদুনা মখোয় অহুম খঙনখি।
নোংমা কাং-ঙ অনীনা হায়রম্মীদো থেঙ্গুদা,
"মরুপ থেঙ্গু তাবরা! হিমালয়গী লমদমদো,
চিতকুট চীংজাউদা শুরুং অমা সনাগী,
কোয়রুসিদো ঐখোয়' হুম য়ূমসু লৈ ঐখোয়গী।"
"করম তৌনা চৎকনি ঐদি পাই'সু হৈতনা।"
"ৱারুগনু মদুদি উপাই অমা লৈরেনে।"
'সুম্না অহুম ঙাঙনর' থেঙ্গুদুবু চীকহল্ল,
মচীন্না চৈশাং ময়ায়দা মখোয়না মতোক পায়শিল্ল,
ৱাংনা থাপ্না চেন্দুনা পুরক্লেদো থেঙ্গুদো;
খুঙ্গং কয়া লান্দুনা মথং-মথং পাইখিদো।
অঙাংশিংনা মখাদ'ই নোক্ন-খেনা লাউরকপদা,
থেঙ্গুদুনা, "নথৌবু লৈব্রা?" হায়গে তৌরকপা,
চীক্লম্বদু নাম্থোক্ল' তাখ্রে কোনুং শুমাঙদা।
খোঙলোয়শিংগা নিংথৌদু থোকখি চরাঙন'দুনা।
হংলকপদা নিংথৌনা বোধিসত্ব লৌশিংবা,
খনখি মতাং চপ-চারে মাবু পাড়া তম্বীবা।
ৱারী পূম্বা লীরগা হায়খি মতুং তাবদা,
"য়োইহেনবাও! তাবিয়ু, ৱাবু ঙাঙবা মতমদা,
শিংনা খিত্তং মঙাঙবা মরম চানা থেৎলকপা,
নৎত্রবদি শোয়গনি থেঙ্গুগুম্না ঙাঙগনবা।"
মঙোন্দবু হায়বনি খঙখরেদো নিংথৌদো;
নুমিত্তুদ'ই হৌদুনা ৱায়াম ঙাংবা তোকখিদো।○

## অঙাংশিংগী মশান্নবা

মংশাতাবম চনু নলিনী

### থা থা থাবুংতোন শান্নবা

**থা থা থাবুংতোন** হায়বা মশান্না অসি মীতৈ অঙাংশিংনা মমাঙঙৈদগী হৌনা শান্নরকপা মশান্নশিংগী মনুংদা অমনি। মসি চাউরাক্লা চহী তরেৎতগী তরাফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা শান্নবা মশান্ননি। মসিদগী হেন্না পীকপা অমসুং চাউবা অঙাংশিংসু মশান্না অসি শান্নবা য়াওই। অঙাংশিংনা নুমিদাংগী মতমদা থা থোরকপা উবদা শুমাঙদা থোক্তুনা শান্নবা মশান্না অমনি।

মশান্না অসি শান্নবগী মওংদি অঙাংশিংনা ফি মচা অমনা মোরাম্বী শারগা মনমগন্দা নাহোং শারগা পোশিল্লগা থা থোরকপা উবদা শুমাঙদা থোক্লক্লগা মখাগী ঈশৈ অসি শক্কনি—

থা থা থাবুংতোন
নচা মোরাম্বী পোবিগে
পোবি শনম নম্বিগে
হৈবোং চরোং অমত্তং থাদবিরকউ।
লফূ মরক্তা তাখিনি
য়ুং মরক্তা তাখিনি
অচা! কনানা চাবিগদগে?

অঙাংশিংনা মোরাম্বী অদু পোশিল্লগা অঙাংমক্লি হায়না খল্লগা থা উরকপা মতমদা অঙাং অদু থেমদুনা শকপগী মওংনি।

মশান্না অসি অঙাংশিংনা শান্নবদা অহল-লমনশিংনা অথিংবা পীদে। মমাঙঙৈ ঙল্লিঙৈ মতমদা অহল-লমনশিংনা থাবু লাইনি হায়না থাজনৈ অমসুং পূজা তৌনরম্মী। থাগী ময়ায়দা মুরি-মুরি তৌরিবা দাগ অমা উরিবসিনা হৈবোং পাম্বীনি হায়না লৌনরম্মী। মতৌ অসুম্না অঙাংশিংনা অহল-লমনশিংগী থাজনবী মতুংইন্না লাই ওইনা লৌনরিবা থাদা মচা মোরাম্বী অসি পোবিবগী মমল ওইনা হৈবোং চরোং অমত্তং থাদবিরকউ হায়না শৈশকপনি। মশান্না অসিনা অঙাংশিংদা য়ূম্বাল্লোনগী ওইবা পাড়া অমা তম্বিবগা লোয়ননা লাইদা অচেৎপা থাজবা অমসু থম্নরম্মী। অঙাংশিংনা মশান্না অসি লেপ্লগা অতিয়া মথক্লোমদা য়েংখৎলগা ঈশৈ অসি শক্তুনা শান্নে।

### ফি ফৌবী শান্নবা

**ফি ফৌবী** শান্নবা হায়বা মশান্না অসি মীতৈ অঙাংশিংনা মহৌশাদগী শান্নরকপা মশান্না মখল অমনি। মশান্না অসি চাউরাক্লা চহী তরুক্তগী তরাফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা শান্নবা মশান্ননি। মসিদগী হেন্না পীকপা অমসুং চাউবা অঙাংশিংসু মশান্না অসি শান্নবা য়াওই। অঙাংশিংনা মশান্না অসি নুংথিলগী মতমদা শুমাঙদা হেক হেক শান্নে।

মশান্না অসি শান্নবগী মওংদি অঙাংশিংনা শান্নবদা নুংশা খজিক্তং লুমশিনখিবা উবদা শান্নরম্বদগী অতিয়ারোমদা মমায় ওনখৎলগা নুংশা থোরক্লবা মখাগী ঈশৈ অসি শক্কনি—

নুংশা ও থোরক্লো
উরুম লৈমা চঙখরো,
হাওরৈবীগী ইংখোলদা
লশিং পোলাং ফৌবনি
হূইনা য়েন্না শোক্কনি
কোনারাবা তিং তিং।

অঙাংশিংনা ফি ফৌবী হায়বা মশান্না অসি শান্নবদা অহল-লমনশিংনা অথিংবা পীদে। মশান্না অসি অঙাংশিংনা শান্নবদা ফি মচা অমা চঙই। মতম অরেম্বদা মাঙহন্দুনা লৈবগী মহুত্তা অঙাংশিংনা মশান্না অসি শান্নবদা মথক্কী শৈশক অসি শকপদগী মখোয়গী ৱাখলদা ঈশৈ শক্লীংবগী ঈথিল অমা পী লোয়ননা লাইমক্লি খঞ্জরিবা নুমিৎনা মখোয়দা মপাল নাইদ্রবা মঙাল পীবিরক্কনি হায়বা থাজবা অমসু পোকচৈ। অঙাংশিংনা ফি ফৌবী হায়বা মশান্না অসি শান্নবদা লেপ্লগা অতিয়ারোমদা ওনখৎলগা নুমিত্তা য়েংলগা মথক্কী ঈশৈ অসি শকপনি।○

## মণিপুরী পাউরৌ

লোইতোংবম বীরজিতা দেবী

### তোকঙাসু কান্নবা মরাকই

তোকঙা হায়বসি মী অমগা মী অমগা পুনশিন্দুনা করিগুম্বা ৱাফম অমা অসুম ঙাঙনবদগী মথং-মথং শন্দোকখিদুনা ৱাফমদু অসুম পাকথোক চাউথোরকপনি। ওইরিবা ৱাফমদুগী অচুম্বদগী হেন্দোক্লা পাকথোক-চাউথোরকপসু য়াওই। অসুম্না শন্দোরকপা অসিনা হান্না খঙলমদবা মীওই কয়াবুসু খঙহল্লকই। খঙবদা কান্নবা ৱাফম কয়া য়াওরক্তুনা শুকখঙ খঙলমদবা মীওই ফাওবদা খঙহন্দুনা কান্নবা ওইহনবসু য়াওই হায়বনি। অসিগুম্বা পাউরৌ অসি য়াম্না তোয়না শীজিন্নবদি নত্তে। তাঞ্জা চারুবদগী মীয়াম্না ঙাঙনরকপা পাউদগী কনাগুম্বনা করিগুম্বদা শোইবদগী নোং-ফাদোক কান্নবা খজিক থেংনরুবদা হায়নবগী ৱানি। তোঙকা হায়বসিদা অফবা তোইনা থোক্কনবা ৱাফমদি নত্তে।।

——

### তুরেলগী ঈচেলনা হঙ্গৎনা চেন্দে

চেন্থরিবা তুরেলগী ঈশিংগী ঈচেল অসি অসুম্মক ঈচেলগী মতুংইন্না খারোমদা চেন্থখি। চেন্থরিবা ঈচেল অদুদগী কৈদৌনুংদা থকলোমদা হঙ্গৎনা চেনখৎলক্তে। অসিগুম্বা মওং অসিবু লৌরগা মীওইবনা সমাজগী চৎনরিবা মওং অসিদা পুশিল্লক্লিবা ৱাফমদি, মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুবু নুংশিবমুক মচা-মশুনশিংনদি মমা-মপা, মপু-মবেনবু নুংশিবা ঙমদে হায়বদু ফোঙদোকই। নুংশিবগী মরীসি মখা- থাবা মচা ওইবশিংনা নুংশিবদগী মমা-মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংবু নুংশিবনা হেল্লি হায়বনি।।

———

### থাশি অদুম ওইগদরা, নোংমসু পুর্ণিমা ওইগনি

থাশি হায়রগা ঐখোয়না খঙনরিবসি থানা পুর্ণিমা ওইরম্বদগী খরা-খরা পীকশিল্লক্তুনা শিথরকপা অসিবু খঙনৈ। পুর্ণিমা থানা মপুং ফাদুনা ফজবা মশেক মঙালগা লোয়নবা শকফম্বু খঙনৈ। মালেম পৃথিবীগী খোঙচৎতসু থাশি অমুক ওই, অদুদগী পুর্ণিমা অমুক ওইদুনা থাগী অহোংবা শকফম লৈ। মতৌ অসুম্না মীওইবগী পুন্সিদসু থাগী শকফম্না অরেপ্পা লৈতবগুম অরেপ্পা লৈতে। য়াম্না ৱানা-নংনা হৌরক্লবসু, য়াম্না ইনাক খুনবা মীওই ওইরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। নোংমা শোইদনা নুংঙাইরকখিগনি, ৱাদুনা অদুম লোইগদবা নত্তে হায়বদু পাউরৌসিনা তাকই। মীওইবগী পুন্সি হায়বসি অমরোমদা অৱা-নুংঙাই অনীনা পুল্লগা শেম্বনি হায়বসু নীংশিংহল্লি। অদুনা ৱাদুনতা লৈরিবা মীওইদু হোৎনজরবদি হোৎনমন্না নোংমদি নুংঙাইবা শরুক থুংলখিনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দু পাউরৌ অসিনা পীরি।○